[illegible]




[illegible]




[illegible]



[illegible]



[illegible]

## ঙসিগী রাশি ফল (২১-০৯-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** পাঙথোকপদা লুনা থোকপা পাঙথোক্লগনি। মরুপ মফম পাক চাওরগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** চরাংনবা, নুংনাংবা ওইরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, লল্লানবশিংনা লুচিংবশিংনা চানবিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**মিথুনঃ** অশাওবা ৱারৌবা লৈরগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা, মিংচৎ হেনগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**সিংহঃ** থবক মচা মচাদি মায় পাক্লগনি। য়েৎশিনবসু লৈরগনি। লুচিংবশিংনা চানবিরগনি। শাগৈনদি য়েং থিগনি। লমতু চৎপা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**কন্যাঃ** অরুবা থৌরম পাঙথোকপা, শীংথাবিবদা য়াওবা, শক খঙবিবা হেনগৎপা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**তুলাঃ** খল্লুদবা পামদবা মায়োক্লবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা নুমিৎনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। মীগী মতেং পাং লুগনু। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**বৃশ্চিকঃ** তিন্নবশিংদগী তোখাই তাবা, মীচং শোন্থবা ওইরগনি। থাজবশিংদগী চেকশিল্লু, লমতু চৎপা মী তিন্নবদি হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল ফকচিনগনি।

**ধনুঃ** চাওখৎপা ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শাগৈনা তিন্নবশিংনা চানবিবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** মী লোয়নবদা, ৱা ঙাংবদা হৈ শিংদ্রবদি ইকায়বা নংবা পীরি। শেল চৎপা, কোক শাবা থেংনরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কুম্ভঃ** অনৌবা পোৎ লৈবা য়াগনি। চখোক চৎশিন্দদি চেকশিনগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। শক খঙবিবা হেনগৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– পূক্নিং চঙলোই।

**মীনঃ** চিংনবা তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবিবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা, শাগৈনা য়েংথিবা, খুদোংচাবা লৌখিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

[illegible]

**M/S BEE BRICK FIELD**

Wangjing Sabal Checkon Leikai

**HEAVY DISCOUNT**

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
9366988039 / 7005134130

SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt

**Bank Passbook & ATM Card Lost**

I have lost my Bank Passbook & ATM Card issued by State Bank of India, Imphal Secretariat Branch, Babupara bearing Account No. 36443799681 on the way from Khurai Chaithabi Leirak to Babupara on 18th September, 2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Koijam Deben Singh**
Khurai Chaithabi Leirak, Imphal East
# 9378157488

SL/Subash/21

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1084**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | 8 | 1 | | | 5 | |
| 3 | | | 7 | | | 1 | 6 | |
| 1 | | 9 | | | 5 | | | 8 |
| | 1 | | | 8 | | 2 | | 5 |
| | 5 | 2 | | 3 | | 7 | | |
| 8 | | | | | 7 | 3 | | |
| | | 1 | 5 | | | | 2 | |
| 5 | 3 | | | | | | | 7 |
| | 7 | | | | 1 | | 3 | |

সনা–সুদোকু–১০৮৪গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# ইন্দিয়া অসি অতোপ্পা লৈবাক্কী প্রেসরগী মখাদা থবক তৌবা লৈবাক অমা নৎতে : মিনিষ্টর ওফ এক্সটনেল এফিয়ারস



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইন্দপেন্দেন্ট ফোরেন পোলিসি মখা তানা চথদুনা লৈবাক মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগনি। ইন্দিয়া অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী প্রেসরগী মখাদা থবক তৌবা লৈবাক অমা নৎতে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরটি বর্ধন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নবা ইন্দিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা টারিফ ১০০ থন্বা য়াবগী বিল য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খূৎয়েক পীখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎকদৌরিবগে হায়না মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরটি বর্ধননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কিরটি বর্ধননা অখন্নবা ইন্টরভ্যু অমদা হায়, লৈবাক অসিগী লৈরিবা মীয়ামগী মথৌতাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খ্বাইদগী অহানবা মরুওইবা থৌদাং অমনি। লৈবাক অদুগী লৈরিবা শেনমিৎলোনগী মপাঙ্গল কায়হন্দনা থমদুনা লেপ্পা লৈতনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎকনি।

ইন্দিপেন্দেন্ট ফোরেন পোলিসিদা থাজবা থন্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্নি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌগদবা লৈবাক অমা নৎতে। নেসনেল ইন্টরেষ্টতা য়ুমফম ওইরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মথৌতাবা থবক পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এস লৈঙাক্না রসিয়াদগী থাও লৈদুনা শিজিন্নবা লৈবাকশিংগী মথক্তা চাদা ১০০গী টারিফ থন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, য়ু এস লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি অরানবা খোঙথাং অমনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী প্রেসরগী মখাদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখল অমত্তগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী মথৌতাবা ইনর্জি সেক্যুরিটি কায়হন্দনা থমদুনা মীয়ামদা মথৌতাবা পেট্রোলিয়ম প্রদকশিং ফংহনবা হায়বা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী মিলিটরি লিদরশিংনা তুংদা থোক্লক্কদবা লানগী শক্তম অমসুং আর্টিলরি মতাংদা খন্নখ্রে




চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সেনিয়ার মিলিটরি লিদর, ভেটরান, দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিজ কয়াগী রিপ্রজেন্টেটিব, একাদেমিয়া অমদি দোমেন্ট এক্সপার্টশিংনা শরুক য়াদুনা চান্দিগরদা পাঙথোকপা ৪শুবা জেনরেল এস এফ রোড্রিগেস মেমোরিয়েল সেমিনারদা হোংলক্লিবা টেক্নিকেল অমদি দিফেন্স সিষ্টেমনা লাক্কদৌরিবা তুংগী মতম অসিদা লানগী ওইগদৌরিবা শক্তম অমদি আর্টিলরিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

রেজিমেন ওফ আর্টিলরি অমসুং সেন্টর ফোর লেন্দ ৱারফিয়ার ষ্টদিজ (সি এল এ দব্লিয়ু এস)গা খূৎশন্নদুনা চান্দিগরদা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোকপা সেমিনার অদুদা ইন্দিয়ান আর্মিগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

'এসিমিট্রিক কেপাবিলিটি থ্রু নেট-ৱার্ক রিসাইসন ফয়ারস বাই আর্টিলরি' হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকপা সেমিনার অদুদা মালেমদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা কনফ্লীকশিংদগী লৌশিনবা য়াবা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি এসিমিট্রিক মিলিটরি কেপাবিলিটি নোংম নোংমগী খুমাঙ চাওশিলক্লিবা অসিগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখি। অসিদা নৎতনা মল্টি ডোমেন ওপরেসনদা ওটোমেসন অমদি দিসিসন সুপিরিওরিটিগী মরুওইবাগী মতাংদসু খন্নখি।

সেমিনার অদুদা দাইরেক্টর জেনরেল আর্টিলরি, লেফটনেন্ট জেনরেল অনুক সিংহালনা হায়, মতম অমদা আর্টিলরি অসি কদাই ফাওবা শাংনা কাপ্পুনা য়েক্নবশিংগী মথক্তা লান্দাবা য়াবগে হায়না খন্নরম্বা অদু মতমগী মতুং ইন্না ঙসিদি নেটৱার্ক সেন্সর, সুটর অমসুং তোঙান তোঙানবা দোমেনশিংদা দিসিসন মেকরগী মথৌতাবা নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি।

মতমগী মতুং ইন্না চাওখৎলক্লিবা এদভান্স সিষ্টেম অসিদা গন, রোকেট, মিসাইল, অনমেন এরিয়েল সিষ্টেম, বেটল ফিল্ড সর্ভিলেন্স সিষ্টেম, সেটিলাইট এন্দ এরিয়েল ইন্টিলিজেন্স, কম্মান্দ ওন কন্ট্রোল নেটৱার্ক অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা তুনা চৎমিন্নদুনা তুংদা মায়োক্নগদবা লানফমশিংদা য়েন্নবশিংবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং ইন-চীফ, আর্মি ৱেষ্টর্ন কম্মান্দ লেফটনেন্ট জেনরেল পুসপেন্দ্র সিংহনা রেজিমেন ওফ আর্টিলরিনা লৈবাক অসিগী দিফেন্সতা লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতমগী মতুং ইন্না এ আই, ওটোমেসন, সর্ভিলেন্স অমসুং নেটৱাকর্কিংদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা আর্টিলরি রিজিমেন্টনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

# 'চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল–ওগষ্ট থাদা ইন্দিয়াগী পোৎথোক চাইনাদা চাদা ৩৯ য়ৌনা এক্সপোর্ট তৌখি'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

চৎলিবা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০২৬-২৭ অসিগী মনুং চন্না চহী অসিগী এপ্রিলদগী ওগষ্ট থা ফাওবদা ইন্দিয়াগী পোখোক কয়া চাদা ৩৪ য়ৌনা চাইনা, সাউথ আফ্রিকা অমসুং রসিয়াদা এক্সপোর্ট তৌদুনা য়ুএস দোল্লর ১৯.৯ বিল্লিয়ন য়ৌনা লল্লোন ইতিক তৌবা ঙম্লে। ইন্দিয়াগী পোখোকশিং এক্সপোর্ট তৌরিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা চাইনানা খ্বাইদগী মকোকথোংবা লৈবাক অমা ওইরি। থা ৫ অসিদা ইন্দিয়ানা চাইনাদা চাদা ৩৯ য়ৌনা পোখোক কয়া এক্সপোর্ট তৌদুনা পুন্না য়ু এস দোল্লর ৯.৬ বিল্লিয়ন য়ৌনা লল্লোন ইতিক তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্সকী মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্সকী মকোকথোংবা ওফিসিয়েল অদুনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মনুংদা ঙসিদি ইন্দিয়া অসি খোঙফম চেৎনা লেপ্পা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লক্লে। ব্রিক্সনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ইন্দিয়া মায় পাক্না চংশিনবা ঙম্লে।

ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মনুংদা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা মায় পাক্না চংশিনবা ঙম্বতা নৎতনা ইন্দিয়া ঙসিদি ইকোনোমিগী মতাংদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমসু ওইবা ঙম্লে।

ব্রিক্সকী মরুওইবা মেম্বর অমা ওইবা অসিনা ইন্দিয়াগী পোখোক কয়া নোংমা নোংমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা এক্সপোর্ট তৌবগী চাংসু লেপ্পনা হেনগৎলক্লি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দষ্ট্রিয়েল রো মেটরিয়েল, ইনর্জি প্রদক অমদি ইন্টরমিদেট গুদস কয়াসু সাউথ কোরিয়াদা সপ্লাই তৌদুনা মেনুফেকচরিং ইকোসিষ্টেম লেপ্তনা পাকথোক চাওথোরক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# টেব্লেটতগী ইঞ্জেক্সননা ঐচ আই ভি ভাইরস নমশিন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা কান্নবা হেল্লি হায়বা ক্লিনিকেল ট্রায়েলদা খঙবা ঙমখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

নুমিৎ খুদিংগী টেব্লেট চাবগী মহুৎ চয়োল ৮দা অমুক খক্তমক ইঞ্জেক্সন কাপ্পনা ঐচ আই ভি ভাইরসকী মপাঙ্গল শোন্থহন্দুনা নমশিন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা কান্নবা হেল্লি হায়না ক্লিনিকেল ট্রায়েল অমদা খঙবা ঙমখ্রে।

ইয়ুরিকা এলর্টনা পল্লিস তৌরকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঐচ আই ভিগা লোয়নদুনা হিংলিবা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংনা চয়োল ৮ খুদিংগী ইঞ্জেক্সন কাপ্পুনা ট্রিদমেন্ট চত্থরবদি ঐচ আই ভি ভাইরসকী মপাঙ্গল শোন্থহনবতা নৎতনা নমশিন্দুনা থন্বা ঙম্লে। নুমিৎ খুদিংগী এন্টি রেট্রো ভাইরেল টেব্লেট চাদুনা ঐচ আই ভি ভাইরস নমশিন্দুনা থন্বগী ট্রিদমেন্ট অসিদগী ইঞ্জেক্সন কাপ্পা অসিনা ইফেক্টিব ওইবা হেল্লি হায়না য়ুভির্সিটি কোলেজ লন্দন (য়ু সি এল)না চত্থখিবা ক্লিনিকেল ট্রায়েল অমদা খঙবা ঙম্লে হায়না রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, ঐচ আই ভিগা লোয়নদুনা হিংলিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল খরদা ইঞ্জেক্সন কাপ্পুনা ঐচ আই ভি ভাইরস নমশিন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা চয়োল ৯৬কী মনুংদা ঐচ আই ভি ভাইরস রিবাউন্দ তৌরকপা থেংনখি। ঐচ আই ভি ভাইরস রিবাউন্দ তৌরকপগী চাং অসি নুমিৎ খুদিংগী টেব্লেট চাদুনা ট্রিদমেন্ট চত্থরিবশিংগা চাংদন্নবদা চাদা ৬ খক্তনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

য়ু সি এলনা কেনিয়া, সাউথ অফ্রিকা, য়ুগান্দা অমসুং জিম্বাবৱেগী তোঙান তোঙানবা ক্লিনিক ৫দা মশাগী চহী ১২দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মীওই ৪৭৬তা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ক্লিনিকেল ট্রায়েল অসি চত্থখিবনি।

ট্রাইয়েল অদুদা রিছার্সসরশিংগী মায়কৈদগী পার্টিসিপেন্টশিংদা নুমিৎ খুদিংগী টেব্লেট চাদুনা নৎত্রগা চয়োল ৮দা ইঞ্জেক্সন কাপ্পগী ট্রিদমেন্ট অসিগী মনুংদা মশাগী অপান্বগী মতুং ইন্না ক্লিনিকেল ট্রায়েল অসি চত্থদুনা টেব্লেট চাবা অমদি ইঞ্জেক্সন কাপ্পগী ট্রিদমেন্ট অসিগী মনুংদা খেন্নবা কয়া ফংবা ঙম্লকখিবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## Crossword # 1148



Across
1. Mosey
6. Stitched line
10. Makes clothes
14. Artifact
15. Opera solo
16. Hosiery hue
17. Playground snitch
19. English bloke
20. Urban roads: Abbr.
21. Greek war god
22. __ it up (celebrates noisily)
24. Nest builder
25. Lima or kidney
26. Constellation components
28. Stage whispers
31. Knee-ankle connectors
32. Nostalgic time
34. Tiny mistake
36. Drench
37. Sandwich bread
38. Lean slightly
39. "Gone With the Wind" plantation
40. Planter's purchase
41. Chills
42. Get ready to ice-skate
44. Harms
45. Roller-coaster units
46. Obligation
47. Author Truman
50. __ dancer ('60s performer)
51. Possesses
54. Hawaiian party
55. Knitter's sphere
58. Envelope abbr.
59. Wicked
60. Gal's guy
61. Fence part
62. Bar bills
63. Small porch

Down
1. __ and crafts
2. Butcher-shop buy
3. Layered sandwiches, for short
4. Ignited
5. Custard-filled deserts
6. Filled completely
7. Historical times
8. Feel poorly
9. "Come up and see me" actress
10. Agile thief's target
11. Canyon sound
12. Prepare a gift
13. Dines
18. Makes a mistake
23. "Bali __"
24. Depositor's holding
25. Stationed
26. Sand bar
27. Jeweled crown
29. Author T.S.
30. Soprano Beverly
31. Retired airplane: Abbr.
32. Gets ready, for short
33. Sailor's assent
35. Scoreboard postings: Abbr.
40. Absolute certainty
41. Above-the-knee jeans
43. Have breakfast
44. "Les Misérables" author
46. Barbie and Ken
47. Applaud
48. Coupe or convertible
49. Butter portions
50. Smooth-talking
51. Heavenly headgear
52. Folk singer Guthrie
53. Ginger cookie
56. Actress Gardner
57. "Are we there __?"

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# মমা ওইবীশিংদা বি জে পি –আর এস এস অমদি পি এম মোদিনা ইকায়বা পীবগী থৌওং লেপ্তুনা চখরি

রাইপুর, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা 'ছাত্রোংকী গুন্স' হায়বা থৌরমগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা বি জে পিনা মরাল শীরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর ভুপেস বাঘেলনা মীওইবা খুদিংমক্না অপোকপী মমা ওইবীশিংবু ইকায়খুন্নবা হায়বা অসি হৌনশানি। অদুবু রাহুল গান্ধীগী অপোকপী মমা সোনিয়া গান্ধী অমদি তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগী মফমদা চপ মান্নবা ইকায়খুন্নবা পীদ্রিবা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

ঐখোয় খুদিংমকপু পোক্লিবা ইমাশিং অসি চপ মান্নবা ইকায়খুন্নবা পীগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অপোকপী মমা খক্তনা মমা নৎতে। রাহুল গান্ধীগী অপোকপী মমা সোনিয়া গান্ধী অমসুং লিদর কয়াগী মমা শিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবা অসিগী মতাংদা বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনা ৱাফম অমত্তা কাংথোক্তনা লৈরি।

মমা ওইবীশিংবু থওই উশিৎতবা উৎতুনা ইকায়বা পীবগী থৌওং অসি বি জে পি-আর এস এস অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা হৌদোকখিবনি হায়নসু ভুপেস বঘেলনা মরালা শীরক্লি।

পনবা য়াবদি ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নরেন্দ্র মোদিগী শক্তম লৌদুনা উৎখিবা মিমিক্রিগী থৌরম অদুগী মতাংদা বি জে পিনা রাহুল গান্ধী অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী মথক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রবনি।

# ৱান্টেদ মাউইষ্ট লিদর এনকাউন্টরদা লৈখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

লৈঙাক্না বেন তৌখ্রবা মাউইষ্ট ওর্গনাইজেসন 'ত্রিটিয়া প্রসুতি কম্মিটি'গী লিদর ব্রিজেজ ভঞ্জু নৎত্রগা ঝরখন্দদা গোপাল সিংহ ভোক্তা হায়নসু খঙনরিবা ঝরখন্দ লৈঙাক্না ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মীওই অসি উত্তর প্রদেশ এন্টি- টেরোরিষ্ট স্কৱাদকা খূৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রে।

ঝরখন্দ পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ব্রিজেজ গঞ্জু বরানসিদা লৈরে হায়বা পাউ ফংবগা লোয়ননা মোটোর সাইকল তোঙদুনা লাক্কদৌরে হয়বা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী তেঙ্গ্রা মোল এরিয়াদা য়ু পিগী এন্টি-টেরোরিষ্ট স্কৱাদ টিমনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চত্থখি।

অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপা মতমদা ব্রিজেজ গন্দু মোটোর সাইকল অমা থৌদুনা লাকপা উবদা সেক্যুরিটিগী মায়কৈদগী খান্নবা হায়বদা, খান্বগী মহুৎ সেক্যুরিটি তন্না নোংমৈ কাপশিন্দুনা মায় লৈদুনা চেনখিনবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা ব্রিজেজ গন্দু নোংমৈ মরুনা পান্দুনা লৈখিদবনি হায়না ফোঙহেদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ব্রিজেজ গঞ্জু ঝীখন্দ লৈঙাক অমদি নেসনেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি , এন আই এগী মায়কৈদগী লুপা লাক্ষ ২৫ অমদি লুপা লাক্ষ ৫গী রিৱার্দ লাউথোক্তুনা ঙসি ফাওবা মহাকপু ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবা মীওই অমনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

সনা–সুদোকু–১০৮৪গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 7 | 8 | 1 | 2 | 9 | 5 | 3 |
| 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 | 2 |
| 1 | 2 | 9 | 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 |
| 7 | 1 | 3 | 4 | 8 | 6 | 2 | 9 | 5 |
| 4 | 5 | 2 | 1 | 3 | 9 | 7 | 8 | 6 |
| 8 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 | 3 | 4 | 1 |
| 9 | 6 | 1 | 5 | 7 | 3 | 8 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 8 | 6 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 8 | 6 | 4 | 1 | 5 | 3 | 9 |

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735



SL/KK/10

# হোষ্টেল লৈতবদগী নুপী মহৈরোই কয়া মহৈ তম্বা তোকপা কয়া য়াওরে: রাহুল গান্ধী




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবতা নৎতনা লোক সভাগী লিদর ওফ দ ওপোজিসনসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিদা মহৈ মশিং তল্লিবা নুপী মহৈরোইশিংগী হোষ্টেল মতিক চানা লৈত্রে। হোষ্টেল মতিক চানা লৈতবা অসিনা মরম ওইরগা নুপী মহৈরোই কয়াদি খাঙুথক্তা মহৈ তম্বা তোকপা কয়া লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্দোরদা পাঙথোকপা 'সাত্রোংকী গুন্স' হায়না মিংথোনবা মশিং য়াল্লবা মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা থৌরমদা নুপী মহৈরোই অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা য়ুমফম ওইরগা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না দিয়া থান্নবগীদমক্তদি পৈশা লৈ। অদুবু হোষ্টেল শান্নবগীদমক্তা পৈশা লৈত্রিবা করিগীনো। ৱাহং অসিমক ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুপী মহৈরোই অমনা হংলকখিবনি।

নুপী মহৈরোই অদু অরাপ্পা খূঙ্গংদগী মহৈ তন্নবগীদমক সিটিদা লাকখিবনি। অদুবু মথৌতাবা নুপী মহৈরোইশিংগী হোষ্টেল লৈতবনা মরম ওইরগা নুপী মহৈরোই অদু পি জিদা লৈদুনা মহৈ তম্বা তাখি। শুন্নতগী অকিবা য়াওদনা লৈনবগীদমক লুপা লাক্ষ কয়া চাদিং তৌরি। থা খুদিংগী মথৌতাবা লৈবগী ভারা অদুনা মরম ওইরগা লৈননবা য়ূম লৈরক্লোইদরা হায়বগী অকিবা লৈবদগী নুপী মহৈরোই অদু খাঙুথক্তা মহৈ তম্বা তোকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হাউসিং এলারৱেন্সনা কদাইদা চৎখ্রবগে, ইনফ্লেসন থোক্লবসু হাউসিং এলারৱেন্সতি হেনগৎতনা লৈরি। পূন্নমক অসিগী মথক্তা হাউসিং এলারৱেন্সকী মতাংদা শেঙ্গা থুমজা তৌদুনা লৈরে।

পীক্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অদুনা হোষ্টেল লৈতবগী হংলক্লিবা ৱাহংগী পাউখুম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পীগদবনি হায়নসু রাহুল গান্ধীনা মখা তারক্লি।

# 'লুপা ক্রোর ৪৮,০০০ চংনা শেমগৎকদৌরিবা অসাম পৱার প্রোজেক্ট অৱাং নোংপোক্কী খ্বাইদগী চাওবা পৱারগী লন অমা ওইরগনি'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০ (এজেন্সি):

অসামগী ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টতা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ৪৮,০০০ রোম চংনা ৩,২০০ এম দব্লিয়ু অলট্রাল সুপরক্রিটিকেল থর্মেল পৱার প্রোজেক্ট অসি অৱাং নোংপোক্কী খ্বাইদগী চাওবা পৱারগী লন অমা ওইরগনি হায়না অদানি দিফেন্স অমসুং এরোস্পেসকী দাইরেক্টর জিত অদানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টকী সপ্পাদা আদানি পৱার লিমিটেনা নৌনা শাগদৌরিবা অনৌবা পৱার প্রোজেক্ট অসিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংবগী থৌরমদা জিত অদানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জিত অদানিনা ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংবগী থৌরম অদুদা হায়, লুপা ক্রোর ৪৮,০০০ চংনা অসামদা পায়খৎকদৌরিবা পৱার প্রোজেক্ট অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউথোকচনিংঙাই ওইবগী মথক্তা অচৌবা প্রোজেক্ট অসি মায় পাক্না পায়খৎপা ঙন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না চাউরবা থৌদাং কয়া লৌমিন্নবা মথৌ তাই।

প্রোজেক্ট অসি অসামগী লৈরিবা ক্লাইমেট অসিবু অনৌবা মায়োল অমদা পুরক্নবা অদানি পৱার লমিটেদনা পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অসিনা অসামগী ইনখৎলক্লিবা থবক ফংদ্রিবা নহারোল কয়াদা থবক পীবগী খুদোঙচাবা কয়াসু লৈরগনি।

লাক্লবা চহী খরগী মনুংদা পৱার প্রোজেক্ট অসি শাবা লোইদুনা অৱাং নোংপোক্কী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা পৱার জেনরেট তৌবা পৱার প্লান্ট অমসু ওইবা ঙম্লগনি।

প্রোজেক্ট অসিনা ইন্দষ্ট্রিজ কয়াদা মথৌতাবা ফুয়েল পীদুনা লল্লোন ইতিক্কী থবক হেন্না খুমাঙ য়াঙশিন্না পায়খৎপা ঙমহল্লগনি। অসিদা নৎতনা মীয়াম্না অহোংবা মমলদা লৈদুনা শিজিন্নবগী খুদোঙচাবসু লৈরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রসিয়াদা মীখল পাঙথোক্লিংঁদা য়ুক্রেননা ড্রোন ১,৬০০ হেন্না কাপশিল্লকখ্রে



মোস্কো, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): রসিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী ৩শুবা অমসুং অরোইবা নুমিৎতা য়ুক্রেননা মোস্কোদা ড্রোন চা কয়া য়াওনা ঙরাং নুমিদাং ড্রোন ১,৬০০ হেন্না কাপশিল্লকখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মোস্কোগী মেয়রনা ড্রোন ময়াম অদুবু হৌজিক ফাওবগী মনুংদা রসিয়াগী কোনুংদা চথরকখিবদা খ্বাইদগী চাওবা এটেকনি অমসুং মদুদা মোস্কো ওইল রিফাইনরি অমা অমসুং রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমা শোকখ্রে হায়খি।

মোস্কো রিজনদা এটেক অদুদা মীওই ২ শিখ্রে। ২০ হেন্না শোকখ্রে। এটেক অদুগী মতাংদা য়ুক্রেনগী নাকল দগী খুদক্তা মত অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি।

রসিয়ানা পার্লিয়ামেন্টরি মীফম পাঙথোক্লিবা অদু প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী পোলিসিশিংগী মায়োক্তা লৈবশিং য়াওহন্দবা লৈবাক অসিগী অহানবা ৱারটাইম পার্লিয়ামেন্টরি মীখলনি।

রসিয়ানা খুদুম চনবা য়ুক্রেন রিজন ৪দসু ভোট পাঙথোকখি। রসিয়ানা ২০১৪দা খোপচিনখিবা ব্লেক সি পেনিনসুলা ক্রিমিয়াদসু মীখল পাঙথোকখি।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা য়ুক্রেনগী ড্রোন ১১০০ কাপথখ্রে হায়খি।

রসিয়াগী কোনুং তন্না কাপ্লকখিবা ড্রোন ৪৫০ লম্বীদা থুগাইখ্রে হায়না মোস্কো মেয়র সেরগৈ সোবিয়ানিননা হায়খি। লৈবাক অসিগী কোনুং দা মমাঙদা অমুক্তা তৌরকখিদ্রবা মওংগী এটেক অদু মীখলশিং অদু থুগাইনবা হোৎনরকপা অমনি। অদুবু মদু পাঙথোকপা য়েক্লবা অদুনা ঙমখিদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# বালোচিষ্টানদা পাকিষ্টানি ফোর্সেসনা মিলিটেন্ট ৫ হাৎখ্রে, হোষ্টেজ ২৩ থাদোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): পাকিষ্টানি ফোর্সেসনা লৈবাক অসিগী ইরাং লৈবা অৱাং নোংচুপতা অকনবা নোংমৈ কাপ্নবা অমদা মিলিটেন্ট ৫ হাৎখ্রে অমসুং হোষ্টেজ ২৩ থাদোকখ্রে।

হোষ্টেজশিং ফাখিবা অদু চপ চানা করম্বা মতমদনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙদনা লৈরি। মিলিটেন্টশিং অদুনা বালোচিষ্টান প্রোভিন্স অদুগী কালাক মনাক্তা রেনসমগীদমক মী ফানবা গাড়ীশিং থিংদুনা, শেল লৌদুনা অমসুং গাড়ীশিং ফাজিন দুনা নুমিদাংদগী থাংজ নুমিৎ ফাওবা ইলিগেল চেকপোইন্ট অমা লিংখৎখি হায়না মিলিটরি ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হাৎখিবা মিলিটেন্টশিং অদু সেপরেটিষ্ট বালোচা লিবরেসন আর্মিগীদমক পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা শিজিন্নবা মমিং ফিটনা অল-হিন্দুষ্টানগী মেম্বরশিংনি হায়খি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎশু -খূৎলাইশিং, এম্যুনিসন অমসুং এক্সপ্লোসিবশিংগা লোয়ননা



ট্রক ৬ অমসুং বস ৩ অমসুং কার ২ রিকোভর তৌখ্রে। অতৈ মিলিটেন্টশিং লৈহৌরিব্রা হায়দুনা টুপশিংনা অকায়বা মফম অদু থিজিনখ্রে হায়না মিলিটরিনা হায়খি।

বালোচিষ্টান চীফ মিনিষ্টর সরফ্রাজ বুগতিনা লালহৌবশিংগা নেগোসিয়েসনশিং তৌনবগী ৱাফম লৈতে অমসুং প্রোভিন্স অসিদগী মিলিটেন্সি মুথৎত্রিবা ফাওবা সেক্যুরিটি ওপরেসনশিং মখা চথখিগনি হায়খিবগী চয়োল অমগী মতুং খ্বাইদগী নৌবা ওপরেসনশিং অসি চথরকখিবনি।

# অসাদ মতমগী জেনরেল ফাখ্রে



দামস্কস, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): সিরিয়াগী চহী ১৩গী সিভিল ৱারদা হান্না রিবেলনা পায়রম্বা মফমশিংদা ওপরেসন্স লুচিংখিবা, তাম্থোকখ্রবা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ লৈঙাক মখাদা থবক তৌরমখিবা জেনরেল অমা ফারে হায়না ঙরাং সিরিয়ান ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা, সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা হান্নগী গভর্ণমেন্ট আর্মিগী রিপব্লিকান গার্দতা অৱাংবা থাক্কী কম্মান্দর অমা ওইরমখিবা মেজর জেনরেল অহমেদ মোহম্মদ ইস্মাইল ফারে লাউথোকখ্রে।

মহাক ১০১ শুবা এয়ারবোর্ন রেজিমেন্টকী চীফ ওফ ওপরেসন্সনি অমসুং অলেপ্পো অমসুং দারা লোয়ননা ইষ্টর্ন ঘৌটাদা মিলিটরি ওপরেসন্সশিং অদু কম্মান্দ তৌবদা হকথেংননা শরুক য়াখি।

দামসকস মনাক্তা লৈবা ইষ্টর্ন ঘৌতা হায়রিবা অসি সিভিল ৱার অদুদা ২০১৮ ফাওবা রিবেল ষ্ট্রোংহোল অমা ওইরমখি অমসুং চহী ৫গী মমাঙদা অচৌবা কেমিকেল এটেক অমগী মফমনি।

সিরিয়া কোনুং দামস্কসকী মফম অদুদা সারিন নর্ব গ্যাসনা মীওই ১,০০০ হেন্না হাৎখি হায়না য়ু এস ইন্টিলিজেন্সনা হায়রি। প্রসিদেন্ট অসাদপু দিসেম্বর ২০২৪দা মফম লৌথোকখ্রবগী মতুং সিরিয়াগী অনৌবা ইস্লামিষ্ট ওথোরিটিজনা হান্নগী সেক্যুরিটি ওফিসিয়েল ময়াম অমা ফাখ্রে।

জেনরেল ৩ য়াওনা হান্নগী পাইলোট ৩ফাখ্রে।

# কোঙ্গোনা হেল্থ ৱার্করশিংগীদমক এবোলা ভেক্সিনেসন হৌখ্রে

বুনিয়া, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): কোঙ্গোনা থাংজ নুমিৎতগী হৌনা খ্বাইদগী য়াঙনা এবোলা লাইচৎ শতে দাকপা হৌখিবা মফম বুনিয়াদা ভাইরস অদুগী মায়োক্তা হেল্থকিয়ার ষ্টাফ ভেক্সিনেসন তৌবা হৌখ্রে।

মখোয় অদু মরুওইনা লায়না অদুদা এক্সপোজ তৌবা অমসুং লাকশিন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী হেন্না য়াওবা মরমদগীনি হয়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণর অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

এবোলা রেস্পোন্সতা হেল্থ ৱার্করশিং অমসুং অতৈ ফ্রন্ট-লাইন ৱার্করশিং এবোলা ভেক্সিন মরুওইনা ফংহন্নবা হোৎনরি।

ইতুরি প্রোভিন্সকী বুনিয়া অমসুং মোংবাৱালু জেনশিংদা ভেক্সিন অসি টার্গেট তৌরি হায়না হেল্থ ওথোরিটিজনা হায়খি।

মফম অনি অদু খ্বাইদগী হেন্না থিনা শোকপা মফমশিংনি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎ ফাওবদা, গভর্ণমেন্টকী মশিং মতুং ইন্না শিখিবা ৩৬৩৯ য়াওনা লৈবাক অসিদা এবোলানা নাবা মীওইবগী মশিং ১৭৫৪ য়ৌখ্রে। অনাবশিং অদুগী মনুংদগী ১৮২৩ ফখ্রে।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা লাইচৎ লাকশিনবা ঙমদনা লৈরি অমসুং রেকোর্দতা খ্বাইদগী হেন্না মী শিখিবা ২০১৪-২০১৬ ৱেষ্ট আফ্রিকা ,এবোলা লাইচৎতগী হেনবা য়াবা ফিভম লাকখ্রে। ৱেষ্ট আফ্রিকাগী লাইচৎ অদুদা গিনিয়া, লিবেরিয়া অমসুং সিয়েরা লিওনেদা মরুওইনা মীওই ১১,০০০ হেন্না শিখি।

# য়ু এসতা পুরক্কদবা এফ ৩৫ পার্টশিং চাইনাদা থুংখ্রে থৌদোক অদু য়ু এসনা কুপ্না থিজিনবা হৌখ্রে



ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): ওষ্ট্রেলিয়াদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পুরক্কদবা এফ ৩৫-ফাইটর জেটকী য়ান্না মরুওইবা কম্পোনেন্টশিং পুরকপা সিপমেন্ট অমা হোং কোংদা লম্বী থৈদোকখিরম্বদগী পার্টশিং অদু চাইনিজ ওথোরিটিজগী খূৎতা তাখিরম্বা য়াই হায়বগী নুংনাংবশিংগী মতাংদা য়ু এসনা কুপ্না থিজিনবা হৌখ্রে হায়না পোলিটিকোনা ফোঙদোকখ্রে।

সিপমেন্ট অদুদা য়াওরিবসি এফ ৩৫ কেনোপি অমা, এয়ারক্রাফ অদুগী ষ্টেল্থ সিষ্টেমগী মরুওইবা কম্পোনেন্ট অমনি। ইক্যুপমেন্ট অদু ব্রোকর অমনা পুরকপনি। অদুবু মদু চপচানা কদাইদা লম্বী থৈদোকখ্রবগে নৎত্রগা কম্পোনেন্টশিং অদু হৌজিক কনাগী খূৎতা লৈখ্রে হায়বদু শেংনা খঙদ্রি।

থৌদোক অদুদগী পেন্টাগোন ইনভেষ্টিগেসন অমা অমসুং কংগ্রেসনেল ইনক্বারি অমা চথবা হৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস দিপার্টমেন্ট অমসুং পেন্টাগোনগী ওফিসিয়েলশিংনা মরুওইবা কংগ্রেসনেল নেসনেল সেক্যুরিটি কম্মিটিশিংগী ষ্টাফতা জুনদা পাউদম পীবা হৌখ্রে।

হিরম অদু খঙবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না পাউদমশিং পীবা মখা চথরি। মিটিংশিং হেন্না পাঙথোক্লবা য়ারি।

এফ ৩৫ লাইটনিং টু কম্পোনেন্টশিংগী মতাংদা সিপমেন্টকী ৱাথোক অমা মখোয়না খঙবা ঙমখ্রে হায়না এফ-৩৫ জোইন্ট প্রোগ্রাম ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে। কম্পোনেন্টশিং অদু অমুক ফংনবা, থৌদোক অদু থিজিন্নবা অমসুং মতুংদা অমুক হন্না থোকপদগী থিংনবা সেফগার্দস থন্নবা য়ু এস ওথোরিটিজনা ইন্দষ্ট্রিজ পার্টনরশিংগা থবক তৌরি।

# য়ু এসনা য়ুক্রেনদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৭কী খূৎলাই য়োনগদৌরি

বুনিয়া, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): রসিয়াগী এটেকশিংদগী ঙাকথোকপদা শৌগৎনবা হন্ন-হন্না ক্যিবনা হায়জরকখিবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাই নুমিৎতা য়ুক্রেনদা দোল্লর মিল্লিয়ন ২.৬৮কী ইয়ার দিফেন্স ইক্যুপমেন্ট য়োন্নবগী অয়াবা পীখ্রে।

য়োনবা য়াবা ৱাফম অদু কোংগ্রেসনেল রিভ্যুগী মখা পোল্লি।

করিগুম্বা মদু য়ান্নবা তারবদি হান্নগী য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন মতমদা য়ান্নখিবা য়ু এস ফোরেন মিলিটরি ফাইন্সশিং অমসুং য়ুরোপিয়ান কন্ট্রিব্যুসনশিংগী অপূনবা অমা শিজিন্নরগা মু য়ুক্রেননা ফাইনান্স তৌগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

য়ুক্রেনগী কোনুংদা রসিয়াগী এটেকশিং হেনগৎলকখিবদা য়ুক্রেনগী এম্যুনিসন ৱাৎপা মরমদগী এটেকশিং অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ৱাখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক্কী মমাঙদা লৈরমখিবা জো বাইদনগী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা য়ুক্রেনদা পীবা আমেরিকান তেংবাং অদু অমুক পীখিনবা মহাক্না য়ুরোপিয়ানশিংদা হায়গনি হায়না থা অসিদা হায়খি। য়ুক্রেনগীদমক নোংচুপ্না শৌগৎলিবা অসিগী অচংমন অদু য়ুরোপিয়ানশিংনা হেন্না পুথোক্লবা ট্রম্পনা মতম শাংনদগী হৌনা দিমান্দ তৌরকখিবনি।

# ৱাটর আইস থিবদা ‘থা’গী সাউথ পোলদা য়ু এসকা চাইনাগা স্পেস রেসতা মুকখায়নরি

ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): ‘থা’গী সাউথ পোলদা অচৌবা মীৎয়েংফম অমা থমদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনানা অনৌবা স্পেস রেস কী তাংকক অমদা চংশিনখ্রে।

সি এন এস গী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, চাইনানা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা থাগী মথক্তা পার্মেনেন্ট সেট্রলমেন্ট অমা শাগৎনবা থৌরাং তৌরি, মদুনা য়ু এসতা লাংতক্লহল্লি।

মখোয়গী তিয়াংগোং স্পেস ষ্টেসন থাগৎখ্রবা মতুং থাগী ফার সাইদ অদুদগী সোইল সেম্পল পুরকপা অহানবা লৈবাক অদু ওইরবা মতুংদা চাইনাগী অনৌবা থৌরাং অদুনা মরম ওইদুনা য়ু এসপুসু লুনার বেজগীদমক মখোয়গী ওইবা থৌরাং তৌনবগী ৱাখল পোকহনখ্রে।

থাগী সাউথ পোলদা ৱাটর আইস য়াওই হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজবা মরমদগী মফম অদুদা লৈবাক অনিমক্না থৱায় য়াওনরি। মখোয়গী থবকশিং অদু খোঙজেল য়াংশিন্নবা লৈবাক অনিমক অদুনা হৌজিক সাউথ পোলদা রোবোটিক মিসনশিং চহি অসিদা থানবা থৌরাং শিং তৌনরি।

য়ু এসনা লুনার লেন্দরশিং পুথোক্লবা প্রাইভেট কমেপনিশিং শীজিন্নরি। পিট্রবর্গতা লৈবা কম্পেনি এষ্ট্রোবোটিক টেক্নোলোজিনা শাবা গ্রিফিফন কৌবা লেন্দর অমা ২০২৬কী অথেংবদা লুনার সাউথ পোলদা থানবা য়ু এসনা থৌরাং তৌখ্রে। য়ু এস স্পেস এজেন্সি নাসানা ফন্দ পুথোকপা মিসন অসিনা পোল অদুগী য়ান্না খঙবা ঙমদবা লমদা অদু য়ৌনবা মিৎয়েং থল্লি।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, চাইনাগীদি চৎলিবা থা অসিদা হায়বদি, ওগষ্ট ২০২৬ অসিমক্তদা য়ান্না থুনা মখোয়গী রোবোটিক চাংগ এ-৭ মিসন থাগৎনবা থৌরাং তৌখ্রে। ওর্বিটর, লেন্দর, রোভর অমসুং মোবাইল হোপ্পর-তোঙান তোঙানবা রোবোটিক বেহিকল মরি শীজিন্নদুনা মিসন অসিদা মমাঙদা অমুক্তা ফংদ্রিবা দাটা খোমজিন্নবা চাইনানা হোৎনগদৌরি।

লুনার সাউথ পোলদা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লিবা করিগীনো?

চাইনানা মখোয়গী পাঙথোক্কদৌরিবা মিসন অসিদা লুনার সাউথ পোলদা ৱাটর আইস অদু ড্রিল তৌনবা অমসুং এনালাইজ তৌনবা মখোয়গী রোবোটিক বেহিকল ৪ শীজিন্ননবা পান্দম থল্লি।

ৱাটর আইসনা থক্লবা, ওক্সিজেন শেন্নবা অমসুং রোকেট ফুএল পুথোকপদা মতেং ওইগদবা মরম্না এক্সত্রাটেরেষ্ট্রিএল সেটলমেন্ট অমা হিংহনবদা ৱাটর আইস মরুওইগনি। অদুগা, য়ু এসনা থুরবদা মথং চহি খক্তদা মখোয়গী রোবোটিক মিসনশিংনা অসিগুম্বা থবক অসি হোৎননবা হোৎনবদা ঙমগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

করিগুম্বা লুনার ৱাটর আইস লৈফম অদু মায়পাক্না খঙবা ঙম্বা তারবদি আর্থতগী ঈশিং পুবগী মথৌতাবা অচঙমল অমসুং মতম হায়নিংঙাই লৈতনা হন্থহনবা ঙম্লগনি, অমসুং থাগী লৈমায়দা অশাংবা মতমগী মওংদা থবক-থৌওংশিং পায়খৎনবগীদমক হ্যুমেন বেজ অমা লিংখৎপা অমসুং মার্স নৎত্রগা দীপ স্পেসতা মখাতানা এক্সপ্লোরেসন তৌবা ঙমহনগনি হায়না ষ্টেট মেদিয়াগা ২০২৫ ইন্টরভিয়ু অমদা চাংগ’এ ৭ মিসনগী দিপুটি চিফ দিজাইনর টাং য়ুহুৱানা হায়খি।

প্রসিদেন্ট জি জিপিংনা ইন্টরনেল ড্রিম অমা ওইনা শীংথাখিবা, স্পেস পাৱার অমা ওইরক্লবা অতৈ হিরম কয়াদসু চাইনানা য়ান্না পাকচাউবা শেন থাদরি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

য়ু এসকী ১৯৭২ মিসন অদুগী মতুং থাগী লৈমায়দা মখোয়গী সিটিজনশিং থম্বদা অনিশুবা লৈবাক অদু ওইনবা চাইনানা থৌরাং তৌরি। চাইনানা ২০২৩ ফাওবদা ‘থা’দা এষ্ট্রোনোটশিং থানবগী মখোয়গী পান দম ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

# ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হাংদোকখিরোই

টেহরান, সেপ্টেম্বর ২০, (এজেন্সি): ইরানগী কন্দিসন ৭ য়ু এসনা ফংহন্দ্রবা ফাওবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হাংদোকখিরোই হায়না ইরানগী পার্লিয়ামেন্ট স্পিকর মোহম্মদ বঘেল ঘালিবাফনা হায়খ্রে।

টেহরাননা মতমগা চান্নবা মওংদা মিলিটরি এক্সন অমসুং নেগোসিয়েসনশিং অনিমক শোয়দনা চথগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। ঙসি, দিপ্লোমেটিক এরেনাদা ঐখোয়গী ফিরেপ মপুং ফানা ময়েক শেংই, মরম চাই, নন-নেগোসিয়েবলনি। মেদিয়েটরশিংগী খূৎথাংদা ঐখোয়গী কন্দিসনশিংগী মেসেজশিং অমসুং এক্সপ্লেনেসন অদু অতোপ্পা নাকন অদুদা ময়েক শেংনা থাখ্রে অমসুং মীনম্বা অমসুং নাকন নামতনা নম্ফু তৌরকপগী লম্বী অদু থিংজিল্লে হায়বসি য়েক্লবা অদুনা য়ান্না ফজনা খঙই হায়না ঘালিবাফনা হায়খি।

ইরাননা থল্লিবা কন্দিসনশিং, ইরান মীয়ামগী অচুম্বা ফংফম থোকপা হক রিকগনাইজ তৌবা অমসুং য়ু এসনা পাঙথোক্কনি হায়খিবা ফিরেপশিং থবক্তা ওন্থোকপা য়াওনা কন্দিসনশিং অদু মপুং ফাদ্রিবা ফাওবা ষ্ট্রেট ওফ হোংর্মুজ অমুক হন্না হাংদোকখিরোই হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

অল জজিরাগী মতুং ইন্না ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা সেক্রেটরি মোহসেন রেজৈনা ইরানগী কন্দিসনশিং অদু কাতারনা ৱাসিংটনদা খঙহনখ্রে অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী পাউখুম টেহরাননা ঙাইরি হায়খি।

## IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, BISHNUPUR, MANIPUR
## ORIGINAL SUIT (GUARDIAN) CASE NO. 3 OF 2025

Keisham Piyokumar Meitei - Petitioner

-VERSUS-

1. Smt. Keisham Ongbi Sinam Ningol Ibecha Devi, aged about 48 years, D/O Sinam Amuba Singh and W/O Keisham Herachandra Singh, now residing at Ngaikhong Shiphai Mamang Leikai, P.O. & P.S.- Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
2. Shri. Keisham Manisana Singh, aged about 45 years, S/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
3. Smt. Keisham Ningol Meipakpi Devi, aged about 55 years, D/O Late K.Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur,Bishnupur District, Manipur-795126 and
4. Smt. Keisham Ningol Dhanapati Devi, aged about 47 years, D/O Late K.Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur,Bishnupur District, Manipur-795126.

**SUMMONS NOTICE** ...Respondents

To,
All the Respondents.

WHEREAS the above-named Petitioner has filed the above-mentioned Original Suit (Guardian) Case before this Court in respect of the guardianship matter stated in the plaint, it is hereby summoned that you appear before this Court on the 9th day of October, 2026 at 10:30 a.m. either in person or by the pleader duly instructed and able to answer the claim and file written objection, if any, and produce all documents in your power and possession upon which you intend to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance before this Court on the aforesaid date and time the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court this the 18th day of September, 2026.

Sd/-
Sr. Sheristadar,
District & Sessions Court,
Bishnupur, Manipur

RP

## IN THE COURT OF THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT
## MAT.DIVORCE CASE NO. 61 OF 2026

Smt. Hijam Sujata Devi, aged about 26 years, D/o. Hijam Niren Singh, and W/o Nakambam Rohit @ Ton Meitei of Ngakchroupokpi Makha Leikai, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur, at present Naoremthong Samushang Lairembi Leirak, Imphal Municipal Council, P.O. & P.S. Lamphelpat, Imphal West District, Manipur.
...Plaintiff

-VERSUS-

Shri. Nakambam Rohit Singh, aged about 27 S/o late Nakambam Ibohal Singh of Ngakchroupokpi Makha Leikai, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur, at present Sangaiprou Mamang Leikai near Satjal Sanglen, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur
...Respondent

**SUMMONS NOTICE**

To,
The Respondent.

WHEREAS the above-named Petitioner has filed the above-mentioned Mat.Divorce Case before this Court in respect of dissolution of marriage by a decree of divorce matter stated in the plaint, it is hereby summoned that you appear before this Court on the 5th day of October, 2026 at 10:30 a.m. either in person or by the pleader duly instructed and able to answer the claim and file written objection, if any, and produce all documents in your power and possession upon which you intend to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance before this Court on the aforesaid date and time the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court this the 19th day of September, 2026.

Sd/-
(Sr. Sheristadar)
Family Court, Manipur
At Lamphelpat

RP

### ক্রোসৱার্দ ১১৪৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | M | B | L | E | ■ | S | E | A | M | ■ | S | E | W | S |
| R | E | L | I | C | ■ | A | R | I | A | ■ | E | C | R | U |
| T | A | T | T | L | E | T | A | L | E | ■ | C | H | A | P |
| S | T | S | ■ | A | R | E | S | ■ | W | H | O | O | P | S |
| ■ | ■ | ■ | B | I | R | D | ■ | B | E | A | N | ■ | ■ | ■ |
| ■ | S | T | A | R | S | ■ | ■ | A | S | I | D | E | S | ■ |
| S | H | I | N | S | ■ | P | A | S | T | ■ | S | L | I | P |
| S | O | A | K | ■ | ■ | R | Y | E | ■ | ■ | T | I | L | T |
| T | A | R | A | ■ | S | E | E | D | ■ | C | O | O | L | S |
| ■ | L | A | C | E | U | P | ■ | ■ | H | U | R | T | S | ■ |
| ■ | ■ | ■ | C | A | R | S | ■ | D | U | T | Y | ■ | ■ | ■ |
| C | A | P | O | T | E | ■ | G | O | G | O | ■ | H | A | S |
| L | U | A | U | ■ | B | A | L | L | O | F | Y | A | R | N |
| A | T | T | N | ■ | E | V | I | L | ■ | F | E | L | L | A |
| P | O | S | T | ■ | T | A | B | S | ■ | S | T | O | O | P |

SL/Mocha/13to24






## INDIAN INSTITUTE OF TECHNOLOGY
KANPUR 208016

**IIT KANPUR RECRUITMENT 2026 FOR FACULTY POSITIONS**
**SPECIAL RECRUITMENT DRIVE FOR SC/ST/OBC/PwD and EWS CANDIDATES (DF-1/2026) & Rolling 2026-001 Advertisement (domain specific)**

**Advertisement No. DF-1/2026**

IIT Kanpur invites applications from Indian Nationals for the entry level i.e., Assistant Professor in its various academic departments:

| Post | Pay Level |
|---|---|
| Assistant Professor Grade-I | 12 |
| Assistant Professor Grade- II | 10 and 11 |

Applicants should have an excellent academic record with relevant experience as mentioned in the detailed advertisements available at **https://iitk.ac.in/dofa/current-openings**
Last date of the receipt of the applications for DF-1/2026 is **31st October 2026.**

*CBC 21241/11/0005/2627*

**Dean of Faculty Affairs**
**Indian Institute of Technology Kanpur**

## Technology Development Board
Department of Science & Technology Block-II,
2nd Floor, Technology Bhawan,
New Mehrauli Road, New Delhi-110016
Website: www.tdb.gov.in

### TENDER NOTICE

Tender/EOI Reference No.: TDB-140R/1/2026 Date: 21.09.2026

TDB invites Expressions of Interest (EOIs) from reputed and experienced Chartered Accountant Firms for empanelment to provide professional services in connection with the Technology Development Board – Research, Development and Innovation Fund (TDB-RDIF). The empanelled Firms will assist TDB in undertaking financial, accounting, monitoring, audit, due diligence, compliance, and other related assignments as may be required for the effective implementa tion and management of the TDB-RDIF.

The EOI document is available on the TDB website, i.e. www.tdb.gov.in;. Interested Firms may download the EOI documents from the website and submit their proposals.

The last date of receipt of Tender 14.10.2026 before 17:00 Hrs at TDB, Technology Bhawan, New Delhi.

*CBC 36106/11/0006/2627* **Under Secretary TDB**

